# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 02-10-2025)**

**ডে (এল)ঃ** জাতিগী মপা মহাত্মা গান্ধিগী মপোক নুমিৎ, গান্ধি জয়েন্তি ঙসি লৈবাক শিনবা থুংনা পাঙথোক্লি।

মনিপুরদসু রাজ্য সরকারনা শিনদুনা ইম্ফালগী গান্ধি মেমোরিএল হোলদা মপুং ওইবা পাঙথোক্কনি। থৌরম অসিদা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালা, চীফ সেক্রেটরি-পি.কে. গোয়ল য়াওনা এম.এল.এশিং শরুক য়াগনি। থৌরম অসি অয়ুক পুং ৮ মিনিট ৩১ দা মহাত্মা গান্ধিগী মীতমদা রাজ্যপাল অজয় কুমার ভালানা লৈ কৎতুনা হৌদোক্কনি।

পালন থৌরম অসি মনিপুর প্রদেস কংগ্রেস কমিতিনা শিনদুনা ইম্ফালগী বি.টি. রোডতা লৈবা কংগ্রেস ভবনদা পাঙথোক্কনি। থৌরম অসিদা এম.পি.সি.সিগী লুচিংবশিং শরুক য়াগনি।

নুমিৎ অসনা লাকপদা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা মীয়ামদা য়াইফ পাডজেল পীরক্লি।

মহাক্কী পাউজেলদা রাজ্যপালনা হায়-ঐখোয়না জাতিগী মপা অসিবু নীংশিংলদুনা মহাকা পামজরম্বা ৱাখল্লোন অমদি থবক থৌরমশিংবু পাঙথোক্তুনা পুকিং হকচাং অমসুং অকোইবগী ফিভম লু-নান্না থমবা হোৎনসি। নুমিৎ অসিনা লাকপদা ঐখোয় পুমমকা গান্ধিজিগী ৱাখল্লোনবু ইকায় খুমবা উৎপা ওইনা লু-নানবা, অমত্তা ওইবা অমদি শান্তি লৈবা রাজ্য অমা ওইহল্লসি।

**পুলিস(এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুন্বগী থবক চত্থবদা য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎলে।

পুলিসকী পাউনা হায়-ঙরাং ইম্ফাল হষ্ট জিলাগী হৈঙাং পুলিস ষ্টেসননা কোনবা হন্নাচীংগী মফমশিংদা থিবা হুন্বগী থবক চত্থবদা মেগজিন য়াওবা নাইম

এম.এম. এস.এম.জি. করবাইন অমা, টুয়েল্ভ বোর সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অমা, টুয়েল্ভ বোর দবল বেরেল নোংমৈ অমা, লোকেল মেট বেরেল গন অমা, মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম. পিষ্টোল অনি, মেগজিন য়াওবা পোইন্ট ফোর ফাইব পিষ্টোল অমা, মেগজিন য়াওবা পোইন্ট থ্রি টু পিষ্টোল অমা অমসুং নাইন এম.এমগী কাপ্পা য়ারিবা মরু অনি ফাগৎখি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী চন্দ্রীরোক চীংগী মফমশিংদা থিবা হুন্নবগী থবক চত্থবদা পোপী গন অমা, টুয়েল্ভ বোর সোর্ট গন অনি, চাজর য়াওবা বাউফেন হেন্দসেট অমা ফাগৎপা ঙমখি। জিলা অসিমক্কী খোঙহাম্পাৎ মন্ত্রি লৈকাই চীংখোঙগী মফমশিংদা থিবা হুন্নবগী থবক চত্থবদা দিটোনেটর ১৫, পোম্পী অহুম, হেন্দ গ্রেনেট রিং মঙা, পোইন্ট থ্রি জিরো থ্রি এল.এম.জি. মেগজিন মঙা, ট্যুব লোঞ্চিং মঙা, এ.কেগী কাপ্পা য়ারিবা মরু ২৯, ব্লেঙ্ক কারটিজ ২৬, থ্রি নোট থ্রি রাইফলগী মরু ৩৫ য়াওনা য়াম্লবা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙমখি।

চুরাচান্দপুর জিলাগী মাবোম অমসুং নেপালি বস্তি অনিগী মরক্তা থিবা হুন্নবগী থবক চত্থবদা ইনচার্সকী অহাংবা কেস ১৯, এ.কে. ফোরটিসভেনগী অহাংবা কেস ৯, মেগজিন য়াওবা এম.সিক্সতিন ওটোমেটিক রাইফল অমা, মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম.পিষ্টোল অনি, লোকেল মেদ হায় এক্সপ্লোসিপ গ্রেনেদ অনি, বেটরি ৱয়ারলেস বি.পি. হেল্টমেট অমসুং বি.পি. জেকেট য়াওনা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎখি।

**নেসন ফাষ্ট(এল)ঃ** রাজ্যগী প্লান্নিং বিভাগনা শিনদুনা ঙসি ইম্ফালগী সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা, নেসন ফাষ্ট এদরেট সভেন্টি ফাইব কেম্পেইন লোয়শিনবগী থৌরম পাঙথোক্কনি।

থৌরম অদুদা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালা শরুক য়াগনি। নুমিৎ ১৫ নি চত্থরকপা কেম্পেইন অসি লোয়শিনবগী থৌরমদা কেম্পেইন অসিগী মনুং চন্না পায়খৎখিবা থবক থৌরমশিংগী ভিদিও উৎপা, স্বাচ ভারত মীসন টু পোইন্ট

জিরোগী সার্টিফিকেটশিং য়েন্থোকপা, চুরাচান্দপুর কলেজ ওফ নর্সিংগী বি.এস.সি. নর্সিং কোর্স হৌদোকপা অমসুং থৌবাল কলেজ ওফ নর্সিংগী বি.এস.সি. নর্সিং কোর্স হৌদোকপগা লোয়নননা নর্সিং কলেজ বিল্ডিং শানবা উরেপ উয়ুং তমগনি।

**ক্বাক(এল)ঃ** ধর্ম্মগী চৎনবী অমদি লাইনিং লাইশোলগা লোয়নননা চহি অসিগী ক্বাক তানবগী থৌরম ঙসি পাঙথোক্লগনি।

থৌরম অসিগী মনুং চন্না হৌজিক ঙাইহাক্কী মতুংদা সনা কোনুংগী ফমাইবা ফমাইবীশিং অমদি লানজিন পুরেলনা সনা কোনুংদা হেক থুংবগা নিংথৌ খুরুমগনি। তুংদা, নিংথৌগী মায়কৈদগী ক্বাক তানবগী ফিজোল খুৎশিন্নগনি।

নুংথিলগী মতমদা সনা কোনুংদগী নিংথৌ য়াওনা মীয়ামগী খোঙচৎ অমা ৱাংখৈ থঙ্গাপাৎ কম্যুনিতি হোল ফাওবা চৎকনি। মফম অদুদা থুংলবা মতুং ক্বাক তানবগী থৌরম পাঙথোক্কনি।

**নারি(এল)ঃ** স্বাস্থ্ নারি সাসক পরিবার অভিয়ান ফোর চিলদ্রেনগী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি-নোনে, চাইল্ড প্রোটেক্সন য়ুনিট নোনে অমদি সোসিএল ৱেলফিয়ার বিভাগনা পুন্না শিনদুনা নোনে জিলাগী খুঞ্জিদা লৈবা দোরকস চিলদ্রেন হোমদা ঙরাং লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। কেম্প অদুদা জিলা অসিগী সি.এম.ও. ডা: অজিন মরিংঙৈনা লুচিংবা স্পিপসিএলিষ্ট ডাক্তর ১০ গী অপুনবা কাংবু অমনা অঙাংশিংগী অনাবশিং লায়েংখি অমদি সি.এম.ওগী মায়কৈদগী হিদাক লাংথকসু য়েন্থোকখি।

**গ্রামঃ** লৈবাক অসিগী ত্রাইবেলনা নমা খুন্দাবা খুঙ্গং লাখ অমা হেনবদা ঙসি অখন্নবা গ্রাম সভা পাঙথোক্কুনা ত্রাইবেল ভিলেজ রিজন-২০৩০ দিক্লারেসন চৎনবা হৌগনি।

থৌরাং অসি ট্রাইবেল এফিয়ার্স মন্ত্রালয়না হৌদোকখিবা অদি করমা যোগী অভিয়ানগী শরুক অমা ওইনা পায়খৎপনি। অভিয়ান অসিগী মখাদা লৈবাক অসিগী রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি ৩০ গী মীওই কোতি ১১ কোনশিনদুনা মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা ট্রাইবেল গ্রাস রুট লিদরসিপ প্রোগ্রাম ওইরে। সরকারনা মমাং চহিগী নবেম্বর ১৫ দগী চহি অসিগী নবেম্বর ১৫ ফাওবা জন জাতিয়া গৌরব ৱরসনি হায়না লাউথোকখিবনি।

প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা মমাং থাগী ১৭ তা আদি করমা যোগী অভিয়ান অমসুং অদি সেবা পর্ব হৌদোকখিবনি। অফবা লৈঙাক সাসন লৈহন্নবা, মীয়াম হুপা শরুক য়াবা অমসুং নহাশিংগী মরক্তগী লুচিংবশিং শেমগৎনবা আদি সেবা পর্বগী মখাদা অখন্নবা মীৎয়েং থল্লি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

ইন্টরনেসনেল ডে ওফ ওল্ডর পার্সন ২০২৫ গী থৌরমদা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা ফোংদোকখিবা ৱাফম, এন.সি.আর.বি. রিপোর্ট-২০২৩ দা মনিপুরগী ইরাংদা পুলিস পার্সোনেল ১১ শিখি হায়বা পাউ য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউশিংনা ঙসি মনিপুরদা ফোংবা পাউচেশিংদা অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংনরি।

পাউশিং অসি সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস অমসুং মনিপুরি এদিসন, পোকফম, পিপলস ক্রোনিকল, নহারোলগী থৌদাং, হুইয়েন লানপাউ, সনা লৈবাক, মনিপুর মেল, তমেংলোং টাইমস পাউচেশিং অসিদা অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

এনক্লুসিপ মনিপুর ওইহনবদা থৌদাং লৌমীন্নসি হায়না রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা ফোংদোকখিবা ৱাফম সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন

তৌদুনা সনা লৈবাক অমসুং মনিপুর মেল পাউচেশিংদসু ফোংলি।

এন.সি.আর.বি. রিপোর্ট-২০২৩ দা মনিপুর পুলিসকী পার্সোনেলশিং লৈখিদবগী পাউ অসি সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগী অহানবা লামাইদা ফোংলি। পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকলদা তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

চীফ মিনিস্তর ওইদবা য়াদে, শেল পায়দবা য়াদে হায়বগী রাখল্লোন থাদোকপা ঙল্লবা মতমদা পোলিটিক্স য়াওহন্নিংই হায়না মনিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী স্পিকর-সৈত্যবরতানা ফোংদোকখিবা ৱাফম পোকফম পাউচেগী অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

লৈবাক অসিগী য়ুনিটি অমদি সোসিএল ইক্বেলিতিদা নৌনা হোংলক্লিবা দেমোগ্রাফিক চেঞ্জেসনা য়ামা চাউনা শিংনবা থোকহল্লে হায়না লৈবাক অসিগী প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অমদি অরানবা ভোটরশিং খক্নে দাক্তুনা অচুম্বা ইলেক্তোরেল রোল শেমবা ই.সি.আইনা চথরিবা এস.আই.আর. পাঙথোকপদা মোরে হিলস ত্রাইব কাউন্সিলনা য়ানিংদবগী ইঙ্গিৎ পীরক্লে হায়বা পাউনা নহারোলগী থৌদাং পাউচেগী অহানবা অমসুং অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

সোরেপাগী মরিরক শুবা মপোক নুমিৎকী থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিমক্কী অহানবা লামাইদা ফোংলি। পাউ অসি তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা পাউচে অয়াম্বদা ফোংনরি।

ওক্তোবর অহুমবু কোটুনা সেপরেসন ডে হায়না লাউথোক্তুনা এন.ঐচ. টুদা পুং ১২ গী টোটেল সট দাউন্দ তৌগদৌরি হায়বা পাউ হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লামাইদা ফোংলি। পাউ অসি তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেস অমসুং গানফিয়ু মেলদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।